# এনক্রোচরশিং ইভিক্সন তৌবা চৎপদা
## ‘রোদ এক্সিদেন্ট’ থোক্তবা ওইয়ু

‘এনক্রোচর’ অমসুং ‘ইভিক্সন’ হায়বা ইংলিসকী ৱাহৈ অনীসিগী ৱাহন্থোকশিং খঙদবা য়াওরম্লরোই। ৱাহৈ অনীসিদা নত্তে, এনক্রোচরশিং ইভিক্সন তৌদুনা তকথোকপা অমসুং তকখাইবগী থবক্কা মরী লৈনবা অতোপ্পা ইংলিসকী ৱাহৈশিংসু ময়াম লৈরি। ময়ামসিগী মনুংদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, সব-দিভিজনেল ওফিসর, সব-দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট, এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট, পুলিস, ত্রাফিক পুলিস হায়বা ফম অমসুং লোয়শঙশিং খঙনবা মমিংশিংগী ৱাহৈশিংসু লৈ। থবকসিদা শীজিন্নবা নোটিস, নোটিফিকেশন, ওর্দর, বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর, মেছিন্নরি, পব্লিসিটিনচিংববু খঙনবা ৱাহৈশিং লৈ। ফাইন থিহনবা অমসুং মীটিং পাঙথোকপসু য়াওই। অদুবু এনক্রোচরশিংবু ইভিক্সন তৌবগা মরী লৈনবা ইংলিসকী ৱাহৈ অমসুং মমিং-মথানচিংবসি লোইনা পল্লরোই। অখঙবশিংনা খঙলসনু। খঙদবশিংনসু খঙননবা গুগলদা য়েংব্রা কৈনো’মা তৌরসনু। এনক্রোচর অমসুং ইভিক্সনগী, মসিগা মরী লৈনবা টর্মশিংবু শন্দোক্লনা পল্লুবগীদি অদুক য়াম্না মথৌ তাররোই। অদুবু এনক্রোচরশিং ককথৎপা, কোৎথোক্তুনা লৌথোকপা, অমুক হন্না তৌরক্তনবা খঙহনবগী থবকসিদি ওন্থোক্লনা ফখ্রে। চুম্না ফবদা নত্তে লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগী তৌফম থোকপনি, তৌগদবনি। থবকসি পাঙথোক্লবগীদমক মথৌ শঙবা এক্ট, রুল অমসুং লোশিং লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরক্লিবনি। অফবা অমসুং তৌদবা য়াদবা, তৌফমসু থোকপা থবক ওইবদগী এনক্রোচরশিং ইভিক্সন তৌবগী থবকসিবু পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি/গভর্ণমেন্টনদি তৌবা য়াদব্রা? সেন্টরনা দাইরেক্ট খূৎ থিংজিনবা ‘প্রসিদেন্টস রুল’ গী লৈঙাক্লা খক্তা তৌগদব্রা হায়বগী ৱাহং ফাওবা চোংথোরক্লিবনি। মশাগী নত্তবা লমশিং খোপচিনবা মীওই (এনক্রোচর) শিং তকথোক্লবগী পৱারশিংসিবু পি আর লৈঙাক লৈরবা মতমদদা চেঙ্গুম শৌবদৌনা শৌগৎলকপ্রা, লৈঙাকসি লৈত্রগনা গুহা মনুংগী হঙোইগুম্বরা হায়বগী ৱাহং ফাওবা হংনরক্লিবনি। অদুগা লৈঙাক্লা তৌফম থোকপা থবকসি তৌথোরকপদা চপ মান্নবা পরিংদা পাদম লাক্তুনা য়োংলৈ-মেল্লে নাইদনা তৌরকপ্রা, তৌবা ঙমগদৌরিব্রা, হৈর-হৈরবা মীওইশিং, অঙম-অথৌশিংনা টেলিফোনগা তৌশিল্লক্তুনা খোঙলৌ-পলহৌনবা তৌরকপা য়াওব্রা অমসুং এনক্রোচরনি হায়বা পূম্নমক অমত্তা মাথোক্তনা লোইনমক কোৎথোক্তুনা লৌথোকপা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাহং ফাওবা হংনরক্লিবনি।

অফবা অমসুং তৌফম থোকপনিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্ট খক্তা নত্তনা মতম কুইনা শাংনা নমশিন্দুনা থম্লকপদগী শুম চাশিল্লকপগী ফীভমদা লৈরক্লবা এক্ট, রুল অমসুং লোশিং পুথোক্লরক্লে। থৌবালদসু হৌখ্রে, ককচীংগীসু তৌরনি হায়রে। ফৈ তৌসনু। মীয়ামগী অফবা থবকশিংবু লৈঙাক্লা তৌদনা কনা লাক্লগা তৌদোইনো? মীয়ামদি লৈঙাক্লা অফবা তৌরক্লগা ফৈ হায়নি। য়ানীংদবা, পামদবা থবকশিং তৌরক্লগনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লেপ্লক্কনি। মসিদি মশানা তাবনি। পি আর লৈঙাক ওইগেরা/ওইরোইরা গভর্ণরনা শিরুই লিলী ফেষ্টিবেল-২০২৫ হৌদোকপা থৌরমগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা বসতগী ‘মণিপুর’ মূখৎলু নৎত্রগা খুমজিল্লু হায়রকপদগী শা-লান শান্নখ্রিবদুনি। হৌজিক ফাওবদা মীয়ামগী অচৌবা লূপ অমনা গভর্ণরবু বোয়কোট তৌদুনা ইন্থোক্লগা থম্লক্লিবসিনি। অদুবু পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি লৈরিঙৈদা কৈনিং ফল্লম্বা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনশিংনা পি আরগী লৈঙাক লৈহল্লক্লবা মতমদা কৈমাঙ ফমগৎলক্লিবসি ওন্থোক্লা ফখ্রে। অথেঙবদা থোরকপা থাবল ওইরবসু অতিয়াদা থোক্লিবা থানা মশা মথন্তা ঈংজবা নত্তনা অয়েংবশিংবুসু ঈংহল্লি হায়বদু থোক্লগদৌরিবনি। অদুবু ইম্ফাল ময়োল হায়বদি কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদগীনা এয়রপোর্ট, মালোম ফাওবা, থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেল, খোয়াথোংদগীনা থাংমৈবন্দ লম্বী পরিংগী এসেমব্লি ফাওবগী য়াওনা পোরোম্পাৎকী মফম খরা, মোইরাংখোমদগীনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ম্যেন গেট ফাওবগী মরক্তা লৈরম্বা এনক্রোচরশিং তকথোকপদদি অদুক হাক্লা ওফিশলশিংদা খুনু মখোঙ শম্লৌবগুম থোক্লমগদবা মান্দে। হায়বদি এনক্রোচরশিংনা জে এ সীগা শেমগৎনরক্তুনা লোগী মায়োক্তা লেপ্লক্কনি হায়বা নত্তে। ককথৎতুনা কোখোক খোৎতোক্লবা জে সী বিনচিংবা মেছিন্নরিশিং পুবদা, ইভিক্সনদা শরুক য়াগদবা ওফিশল/পর্সনেলশিং চৎপদা জ্-জ্ লাওনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙল্লমগনি অমসুং য়ারমগনি খল্লি। অফবা থবকসি পাঙথোকপা চৎপদা তেক্ত-কায়দবা, শোয়দ-ঙামদনা মপূং ফানা, মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্বা ওইয়ু। হায়বদি থোকহন্নীংদবা লম্বীগী ‘রোদ ত্রাফিক এক্সিদেন্ট’ (আর টি এ) নচিংবা থোক্তবা ওইসনু। অদুবু লাপ্ল-লাপ্লবা মফমদসু এনক্রোচর তৌশিনবশিং খঙদোক্লবা ‘সর্ভে’ নচিংবা তৌরনি হায়রকপগী মতুংইন্না চত্থরকপসু হৌরক্লিবা অসিগী চৎথোক-চৎশিন তৌরক্লিবসিদদি য়াম্না চেকশিনহন্নীংই। হায়বদি ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বী পরিংদা হৈরাঙ্গোইথোংদগীনা ময়াং-ইম্ফাল বেঙ্গুন ফাওবদা সর্ভে তৌরনি হায়দুনা ওগষ্ট ২, ২০২৫দগী হৌখ্রিবসিবু কম্মাই চৎখিগে? গভর্ণরদি এয়রপোর্টতগী রাজ ভবন ফাওবা হল্লকখিবদা কুম্মৈ তারনেনা হেলিকোপ্টরনা কংলা ফাওবা পাইরকখ্রিবনি। হোয়, গভর্ণরনা মায়োক্লরমগদবা ফীভমদুমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনষ্ট্রেশনগী ইভিক্সনগী ওফিশলশিংনা মায়োক্লরমগনি অমসুং মায়োক্লরকখিগনি হায়বা নত্তে। মায়োক্লরকফমসু থোক্তে। থোক্লবসু হেলিকোপ্টর ৱায়বগী য়াম্লবা শেলশিংবু কুপখৎনবা এনক্রোচরশিংদগী বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর পীদুনা ফাইন ওইনা লৌখৎলুবা য়ারোই। ফরক তানরক্কনি। অদুনা হৈরাঙ্গোইথোংদগীনা ময়াং-ইম্ফালগী বেঙ্গুন ফাওবা সর্ভে তৌবা হৌখ্রে। এনক্রোচ তৌরম্বশিং খঙদোক্লে। মশা-মশানা শিদোকচৌ হায়রম্বদগী শিদোক্লবা হৌরে। অদুবু মশানা খঙনা শিদোকচদবশিংদি জে সী বি পুরগা কোৎথোক্লুদোই নৎত্রা? মসি ওইরগদি পাইরগা চৎপদি য়াদবনিনা গাড়ীদা চৎতোইনি। অদুনদি হৈরাঙ্গাইথোংগী নীংথেমচা কারোং ময়াদগীনা মোংশাঙ্গৈ, লংথবাল, হিয়াংথাং অমসুং শামুরৌনচিংবদা লৈরিবা লম্বীগী ময়ায়দা লৈরিবা পূখ্রি, খোংবানগুম্বশিংসি লানবদা চেকশিল্লু। অতোপ্পা মফম খরগী লম্বীশিংসু ফীভমসিদা লৈবা য়াওবনি। চেকশিন্না চৎহন্নীংই। য়ারবদি লম্বীশিংসিদা এক্সিদেন্ট থোক্তনবা অঙাংনা ময়ূমদগী চৎথোক্লমদাইদা মমানা ময়ানা চিক্লগা, মনম নম্বীবদুগুম্না রাজ ভবনদা চঙশিন্দুনা মনম নমহন্নীংই। অফবা থবক পাঙথোকপা চৎপদা খুদোংথীবা মায়োক্লহন্নীংদবগী হায়বনি। লম্বীদা তেক্ত-কায়দবা ওইয়ুকো!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬১৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লমলেল য়াওরৌ সানাপালগী। ময়াং খাপৈ শাববু খুদম চলনা ফাহৌয়ে। লাইজ তুৱাউ লোকতগী। য়াখারেক মিংকৌবা হুয়েল লালচীংবা। লাকচাথীনা লালঙমলে। হাওরা লাইচাওথেলগী। পুংয়া লমতাক লমচিং অথৌবসু ফাহৌয়ে। থোংতেক ঙাপু লমদগী। য়িমপোল লালচিংবসু লাকচাথীনা লালঙমলে। আমচী নুঙলাই কোল লমগী। ময়াং দুলাই ১৫ লোকনা খোমহৌরে। লোললোই লমদম লৈমাতাক লমদা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯱꯶)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯟꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯌꯥꯎꯔꯧ ꯁꯥꯅꯥꯄꯥꯂꯒꯤ॥ ꯃꯌꯥꯡ ꯈꯥꯄꯩ ꯁꯥꯕꯕꯨ ꯈꯨꯗꯝ ꯆꯂꯅꯥ ꯐꯥꯍꯧꯌꯦ॥ ꯂꯥꯏꯖ ꯇꯨꯋꯥꯎ ꯂꯣꯛꯇꯒꯤ॥ ꯌꯥꯈꯥꯔꯦꯛ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯆꯤꯡꯕꯥ॥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯃꯂꯦ॥ ꯍꯥꯎꯔꯥ ꯂꯥꯏꯆꯥꯎꯊꯦꯂꯒꯤ॥ ꯄꯨꯡꯌꯥ ꯂꯃꯇꯥꯛ ꯂꯃꯆꯤꯡ ꯑꯊꯧꯕꯁꯨ ꯐꯥꯍꯧꯌꯦ॥ ꯊꯣꯡꯇꯦꯛ ꯉꯥꯄꯨ ꯂꯃꯗꯒꯤ॥ ꯌꯤꯝꯄꯣꯜ ꯂꯥꯜꯆꯤꯡꯕꯁꯨ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯃꯂꯦ॥ ꯑꯥꯝꯆꯤ ꯅꯨꯡꯂꯥꯏ ꯀꯣꯜ ꯂꯃꯒꯤ॥ ꯃꯌꯥꯡ ꯗꯨꯂꯥꯏ ꯱꯵ ꯂꯣꯛꯅꯥ ꯈꯣꯝꯍꯧꯔꯦ॥ ꯂꯣꯜꯂꯣꯏ ꯂꯃꯗꯝ ꯂꯩꯃꯥꯇꯥꯛ ꯂꯃꯗꯥ॥ ●

# পি আর মনুংদা ইভিক্সনগী খোঙচৎ অমসুং এস আই আর!



হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৬৪
**জিতেন নামৈরাকপম**

প্রসিদেন্টস রুল লৈরিঙৈ মনুংদা ইভিক্সন! থৌদোক অসি মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরিঙৈ মনুংদা চৎন-কাঙলোন অমা ওইদুনা চৎনদুনা অদুম্মক লাকখ্রবনি। প্রসিদেন্টস রুল থল্লিঙৈ মনুংদা মতম তেনমন্দুনা প্রোসেস তৌবা নংহৌদবদগী ইভিক্সন তৌবা নংহৌদবা মতাংসু য়াওখি। মরমদি মণিপুরদা হান্ননা প্রসিদেন্টস রুল তরারক থমখ্রবনি। পঞ্জাবতা প্রসিদেন্টস রুল অমুকখক্তমক থমখ্রে। অদুগা হৌজিক ফাওবদা প্রসিদেন্টস রুল শুকথম থমখিদ্রিবা ষ্টেটশিংনা ছটিশগরগা টেলঙ্গনাগা অনী অসি খক্তনি।

হন্দক্কী প্রসিদেন্টস রুল থম্বা হৌরকখিবদা মীয়াম্না “প্রসিদেন্টস রুল থম্লবনিনা ইভিক্সন তৌরকপদি শোয়দ্রে” হায়না চিবোন-চিবোন ঙাঙনখি। মসি চৎন-কাঙলোন অমগুম চথুদুনা অদুম্মক লাকখিবনা ওইরম্বা য়াই খল্লি। মীয়াম্না হায়নবা ৱা অদুম্মক চুমখি। মণিপুরগী গ্রেটর ইম্ফাল অমসুং ভেল্লি এরিয়াদা ইভিক্সন তৌবা হৌখ্রে। ইভিক্সন তৌবা হায়দি করিনো?




এক্সন ওফ এক্সপেল্লিং সমৱান ফ্রোম এ প্রোপর্টি, এক্সপলসন নৎত্রগা দ কোর্ট ওর্দর রিমুভেল ওফ এ টেনান্ট ফ্রোম প্রোপর্টি হুয়র দে রিসাইদ/তান্থোকপা/তকথোকপা/থুগাইবা/লৌথোকপা...। থৌওং অসিমক হৌজিক মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা দি সীগী ওর্দর মতুংইন্না, মেজিষ্ট্রেট, এস পি, এস দি ও, ষ্টেট পুলিস, সেন্ত্রেল ফোর্সশিং য়াওরগা কন্না চথরিবা থবক্নি।

ঐখোয় মীতৈ ইহান হানবা খূৎলামখাং হায়গদ্রা কৈশাম্পাৎ টিদ্দিম রোদকী পরিংদগী হৌখি। লম্বী পাকথোক্লেদি হায়রগা ফুট পাঠ, সাইকল থৌফম লৈতবসি মণিপুরগী লম্বীশিংনি। নালা মথক্তা ময়ূম কুপ্পা নৎত্রগা মতেক-মতেক শাট হৈজিল্লগা লৈবা খোঙ চৎফম দুকান্দার নৎত্রগা য়ূম্বুশিংনা হৌজিক্তি ফক্তোক্লরকপা উরে, মসিসি কয়াম কুইগদবনো তম্বা ঙমদে। দুকান্দারশিংনা পোৎ চৈ অমুক দিসপ্লে তৌদুনা পোৎ চৈশিং খিন্দুনা থম্লকখিনি। হোটেলগা ফমজিল্লকখিবা য়ারি। লৈঙাক্কী লম হেঞ্জিল্লগা থেৎপা সাইনবোর্দ হৌজিক থুগায়খিবশিং ঈৰাং তপথখ্রগা অমুক্কসু তৌরক্কদৌরিব্রা? মসিদি ইশানা হেন্না ৱাখল তান্নবনা ফরবনি। শীংজমৈ, মোইরাংখোমলোমদগী হৌরক্লগা কাঞ্চিপুর ফাওবসু থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। পাওনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেলগসি মতৌ খরদি মানখৎলক্লে। কোনুং মমাঙ পরেং ৱাঙ্খৈ, পোরোম্পাৎ রোদ, অয়াংপল্লি রোদ বুল দোজর, জে সী বিনা মথৌ ফজনা পাঙথোক্লুরি। শগোলবন্দ পরেং, উরিপোক পরেং চথরকখিনি হায়রি। থৌবালদসু, জিরিবামলোমদসু মথৌ তৌবা হৌখ্রে। ঈচাও-খূৎশেমগী ঈচাও মতেং পাংলিবা নালা খোপচিনবা, তুরেল খোংনুং তোৰ্ৰান্দা শাজিনবশিং তকখায়গদবা য়াম্না ৱাৎলি। পূম্নমক অসি নীংথিজনা মথৌ তৌরক্লগদি মণিপুর অসি লংত্রিক লংবা, লম্বী চৎপা নুংঙাইবা, ঈরম-নালা ফুনবা, ঈশিং ওইরো নৎত্রগা লম্বীবু ওইরো ফ্লো নাইনা চৎতুনা ঈংনা তপ্পা পানবা লমদম অমা ওইরক্কদ্রা? মীয়াম্না পাম্না ঙাইনরি।

ইভিক্সনগী মতাংদা হন্দক তোঙান তোঙানবা মীয়াম্না কম্মেন্ট পীবসু থেংনজৈ। ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী অসি নহাসু মাল্লি। মথৌ কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্কনি, মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু অসিনি। মানা হায়খিবদা ইভিক্সন তৌগনি হায়বগী পাউ তাবা মীয়াম পূম্বা হরাওনৈ। অফবা মীয়ামগীদমক লৌখৎপা খোঙথাংনি। মপূং ফানা সপোর্ট তৌগনি হায়নৈ। অদুবু মশা মশাগী মপা য়ৌরকপদদি তূমিন তূমিন লৈনৈ। মরোল অমমুক লোল্লকই। মসি তৌবীগনু অসিনি। মীয়াম্না অমুক হায়নৈ মদুদি ‘পি আর লোইখ্রগা তূমিন লৈখিনি।’ ৱাফমদুদা মণিপুর হাউজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্ট (মাহুদ) কী দিরেক্টরগী পাউখুম - ‘পি আর লোইখ্রবসু থবক মখা চথগনি। কোমথোকপগী ৱাদি পনবীরক্নু।’ অসুম্না ৱাকৎ ৱানোম লৈতবা পি আর অসিদদি অচৌ-অশাংশিং, য়াইতোং খমদোংবশিংগী লান্না শাজিল্লুরবা য়ূম-দলান, দুকান প্লোটশিং শিদোক্লকপা য়ারি। ময়াম য়েংখিবা তাবনি।

মীগী য়ূম, প্লোট, দুকান থুগাইরকপদা কনানসু হরাওগদবালেতে। মীগী মতম চঙনা, শেল চঙনা আশা অমগা লোয়ননা শেমগৎ শাগৎখিবমক্তনি। মতুংদদি অসিগুম্বশিং অসি থোক্তনবগীদমক রুল কায়না, আইনগী ৱাংমদা শাগৎলকপা মতমদা লৈঙাক্লিবশিংগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা খুদক্তা থিংজিনবীগদবনি। শক-মায় য়েংনরিঙৈদা তুংদা থোরক্কদবা কন্সিক্কেন্সেস হান্না উবীদুনা থিংজিনবনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি হায়নীংই।

হৌজিক তৌরিবা ইভিক্সন অসি মণিপুরখক্তদা নত্তে, অসামদসু পাক্তক্লনা তৌরি। লম হেঞ্জিনবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা লৌশিনখিবগী পাউসু তারে। য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর অদুসু য়াম্না শাথীবনি, মাগী ওর্দরদা য়ূম, বিল্ডিং কয়া অমা খ্রো খ্রো মেছিননা হেক্তা থুগাইবীনি। দেল্লীগী সোরোজিনি মার্কেট, ফিরোলগা থাংদোক থাংদোক্তুনা খিল্লগা পংয়োন্দা য়োনবা দুকান পরেং-পরেংশিং পুলিস লাক্লগা তাশিন খোমজিন্দুনা হেক্তা লৈনবা মফমদুসু হন্দক থা ২/৩গী মমাঙদগী পুরা থুগাইখ্রে। পুমহাঙ হাঙলবা মীয়াম চৎনবদা নুংঙাইরবা মার্কেট অমা ওন্থোকখ্রে। ইভিক্সনগী থবকসিদি ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা তৌনরিবনি। মণিপুরদসু পি আর লাকখিবগী খুদোল ওইনা পীরম্বা তারগদি মপুং ফানা পাঙথোকপীরম্মু অসিনি। লম-তুগী য়েৎন-খোৎনবা অসিদি থাঙ-তেন, নোংমৈ পায়নরক্তুনা হিংসা তৌনরকপদগী মীশি-মীনা হেক্তা য়াওনৈ। অদুবু লৈঙাক্লা পাঙথোরকপা থবক্তা ফুল কোওপরেশন পীবিরগদি থবক খুদিংমক ঈংনা চিক্লা পাঙথোকপা য়াগনি।

অমরোমদদি ইভিক্সনগী ৱা অসিদি মণিপুরদদি খীনরবা ৱাহৈনি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী কুকি-মীতৈ লানগী হৌরকফমসু ইভিক্সননা মরমসু ওইহনখি। চুরাচান্দপুরদা মতমদুগী এন বিরেন লৈঙাক্লা রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা কুকিনা আইন কায়না শাজিল্লুবশিং শিদোক্লুবদা কুকিশিং মৈ হৌনা শাউরকখি। ফোরেষ্ট বিটশিং মৈ থাদোরকই। মতম খরা লৈঙাক্কী থবক খরা লেপখিবদগী হৌজিক ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা কুকিশিং কদাইদা লৈরমগনি। রিলিফ কেম্পশিংদা খরা লৈনরবসু মখোয় লিীং ৩৫/৪০দি চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরে, তেংনৌপল, চান্দেলগী রিজার্ভ ফোরেষ্টশিং য়ান্থুৎতুনা খুল হেনগৎতুনা য়ূম কৈ য়াম্না শাজিন্নখ্রে হায়বগী পাউ তারি। মদুনা অমুক কমদৌবা। লান তৌনদ্রিঙৈ মমাঙদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা লৈঙাক্লা রিকগনাইজদ তৌদবা খুল মশীং ১৭০০কী মথক্তা লৈখিবগী পাউ তাখ্রে। আইন অসি তম্পাক্তা চৎনবগী মথক্তা চীংদসু চপ চানা চৎনবা তারগদি হন্দক্কী মতাং অসিদদি হৈ শিংলুবা নম্ফু তৌরুবা কুকিশিং মমৈ চপকদৌরি।

মরমদি লৈঙাক্লা রিকগনাইজদ তৌদবা লমদা মৈ, ঈশিং, লৈঙাক্কী স্কুল, কোলেজনচিংবা অমত্তা লৈবা য়ারোই। জোব কার্দ, রশন কার্দ ফংলরোই। ককথৎখিবা মোদিগী লেম্না য়েনবা চেঙ লৌবা য়াররোই। নুপীদা উজ্বালা গ্যাস কার্দ পীরোই। এন আর সী চৎনসি য়াদবা কুকি, হন্দক্কী স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন ইলেক্সন কম্মিশননা চৎনরগনি লাউথোরকপদা কুকি মচা বেঞ্জামিন মাটে কৌবা এম পি ইলেক্সন লেপখিবা অমনা মদু চৎনবা য়ারোই হায়না লাউথোরক্লিবসিসু কিবদগীনি। নাগা, মীতৈ, মীতৈ পাঙলশিংনদি এস আই আর তরাম্না ওক্লি। ইলেক্তোরেল রোলদা লান্না মীং চনশিনখিবা পূম্নমক হন্দক্কী মতাং অসিদা ককপা য়াবা ককথৎহৌগদবনি। বোনাফাইদ ওইরবা ইন্দিয়ন সিটিজন খক্তমক ভোটিং রাইট পীগদবনি। হান্নদি লান্না পংপায়দা পায়নরম্বা আধার কার্দকী মহুত্তা ভোট্রর কার্দনা হেন্না মরু ওইনা লৌরক্লিবসি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টস তান্থোকখিনবা মচাক অমনি। অসুম্না মীতোপ তান্থোকখ্রবতদা মণিপুরদা ঈং তপ্পা পুরক্কনি। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১১৪

ৱাখল ইহুল
**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

চহী মতাং হায়ফেৎ মান্নবদা পিবা চপ মান্নবা মিংথোলদা অনেম অৱাংগী ৱাখল্লোন লৈবা মীরোলগী ৱাহায় “কুমারীগী মহুৎ চপ মান্নবা থাক্কী খেন্নবা লৈতবা ৱাহায় চনুনা শিন্দোক্লগা ইমালোল চাওখৎনবা হোৎনরসি।”

মতম খরগী মমাঙ ফাওবদা ইমালোলদা মীরোলনা লোলয়ান ওইবা ৱাহায়শিং “সিংহ অমদি দেবী” পাক শন্না চমম্নবা মওংদা শীজিন্নরম্মী। “খুদম, ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন চৎপা পাম্বা অমদি মীরমগী হিন্দু লাইনীং লাইশোন চৎপা - সিংহনা নুপাশিং অদুগা দেবীনা নুপীশিং চয়েৎনবা মওংদা শীজিন্নরম্বসি, পংথরিঙৈদা তৌনরম্বসি, অচুম চুমদা করিনো খঙলক্লবা মতমদগীদি নুপাশিংনা মতম শাংনদগী শীজিন্নরকপা “সিংহগী মহুৎ য়েক শলাইগী মমিং/মীতৈ নৎত্রগা মৈতে অদুগা নুপীশিংগী ওইনা নুপীমচা অঙাংদা দেবী শীজিন্নরম্বগী মহুৎ চনুনা মহুৎ শিল্লগা মৌশিংগী মমিংগী মমৈদা দেবী শীজিন্নরম্বগী মহুৎ লৈমানা শিল্লবা মতুংদদি চয়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা ৱাহন্থোক লৈনা শীজিন্নবা ঙল্লে।”

মীরমগী ৱাহায়শিং “কুমারী অমদি দেবী” দি কুমারীনা অঙাং নুপীমচাদগী লৈশাবী ওইরিঙৈগী মতমবু খঙনরবসু দেবীদি নুপীমচা, লৈশাবী অমদি নুপী অহল/মৌ হায়বগী খেন্নবা লৈতনা শীজিন্নবনা ৱাহায় অমা শীজিন্নবগী ময়েক শেংবা ৱাহন্থোক পীবা ঙমদে হায়বসি ৱাখল তারবা মীপূম খুদিংমক্লা খঙলবা ৱাফম মক্তনি। ইমালোলগী ৱাহায় অমগুম চান্নবা ৱাহন্থোক পীবা ঙমদবনা মীরোল শীজিন্নবা তোক্লগা ইমালোল চাওখৎনবা হোৎনরসি।

ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন্দা হঞ্জিল্লক্লবা নোংখ্রং পরেহনবা থৌরমশিং পাঙথোকপগী তঙায়ফরক্তবা:- ঈনাৎকী লাইনীং লাইশোন খ্বাইদগী চাউনা অহানবা লৈচিন নোংফাই থাংবা হৌখিবা, কংলৈপাক্কী পুৱারীদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মনুংদা কংলৈপাক্কী ৫০শুবা মৈতিংঙু পামহৈবা নিংথৌনি। মীরমচানা পীখিবা মীরোলগী ৱাহন্থোক লৈবা মিংথোলনা “গরিব-নিৱাজ মহারাজ (মীরোলদনা - লায়রবশিংনা লৈবা লৈপাক্কী নিংথৌরেল)” কয়াদা ফজখ্রবা? মসিনা তাকপদি মতমদুদা মীরমগী মরোল খঙদে, খঙলম্লবদি করেম-কথায়নবা মানবা মীরমচানা পীরম্বা মিংথোলদু য়ারল্লোই। শাওবদগী মীরমচাগী চিরোল, লৌনম লাং থাক্লগা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন অমদি লাইনীং লীচৎতা লান্দারম্বদু য়ারল্লোই। অতোপ্পা খুদম অমদি - মীরমগী “গোত্র” হায়বা ৱাহায়সি করিনো খঙখিদবদগী “য়েক্কী মহুৎ গোত্রনা শিন্দোকপা য়াহনখিবনি।” মতমগী খোঙলৈ, তুংদা থোক্লগদবা/ওইরগদবা পোরম পোমিৎ চিংলগা উবা ঙমখিবা মায়চৌ খোংনাংথাবা ইপুনদি মীরমচানা পীখিবা মিংথোল শীজিন্নদনা শুপ্নতগী “নিংথেম” হায়বা ৱাহায় সিতমক শীজিন্নখিবনি।

পামহৈবা নিংথৌ মশামক্তি মীরমগী লাইনীং লাইশোন শন্দোকপা লাকখিবা ময়াং মচাগী মখূৎতা মায়থীখিবা নত্তনা, মথৌনা মরিংজেল লৈবা, লাল্লোং শিনবদা হৈথোই শিংথোইবা ওইখিবনা য়েক্লবশিংনা লান্তারকপা লানফমশিংদা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা মীরমদা লান্তাদুনা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা, ইরমদমগী লমগী ঙমখৈ পাক চাউনা শন্দোকপা ঙমখিবা ইনিংথৌনি। নোংদম্বা লাইনা নোংদম থীনা তম্বীরম্বনা তুংগী পোলোই ফত্তনা নোংমনখিবনি।

অদুঙৈ ময়াং মচা শান্তিদাসনা হায়বা/থেম্বদা য়াখিবদগী শাগৈ সলাই তরেৎমক্কী অহল লমনশিংগী মংলেন মংথোঙ হাংলগা শৱাং লুৱাংথৌ (মীরোলদা-অষ্টি) লৌথোক্তুনা পুরগা মীরৈপাক (হৌজিক্লা-ম্যান্মার) কী নিংথি (মীরোল) তুরেল তোৰ্ৰান্দা পোৎলোইরগা মদুগী অরেম অখাক্লা নিংথি (মীরোল) তুরেলদা থাদনবা থৌৱাং লাকপা মতমদা চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবনা থাদহৈদে, তৌহৈদে হায়না থিংবদা ময়াবা লৈত্রবা মতমদা ইপু মায়চৌ খোংনাংথাবনা হায়খিবা মতাং অমা- “ **নিংথেম! হৌজিক লৈপাক মীয়াম অৱাবা চংলবনি, লূগী লূমচেৎ শৱাং লুৱাংথৌ পুদুনা নিংথি তুরেলদা পোৎলোইবদি মৈতৈশিং অৱাগী মখা পোল্লগনি, য়েক্লবগী মীখা পোন্নবা থৌচৎহৈদে, মংলেন মংথোঙ হাংদুনা শৱূ ফুকপদি নিংথেম নরান ফংজগনি।**”

তুংদা থোক্লগদবা অচুম্বা পোৎমিৎশিংবু চিংশিল্লগা উবা ঙমখিবদগী চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবনা মাঙজৌননা তাকপীখিবা য়াৱা পাউতাকসিমক্কী চুল্লকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিং মথং মনাও নাইনা খঙমিন্নসি।

অহানবদা, ময়াং মচা শান্তিদাসনা কংলৈপাকসিদা লাক্লগা নম্ফু হাফুদা লৈপাকসিগী মীচম মীয়াম (মীরোলদা-প্রজা) গী অপাম্বগী মায়োক্তা মীরমচা মখোয়গী লাইনীং লাইশোন শন্দোক্লবা হোৎনরকপদা তৌখিবা ফত্তবা চিরোল, শরৌ লাংশিংদুনা মরম ওইরগা, অৱাগী লানবন্দগী হল্লকপদা, খোঙলোই ওইরকপশিংগী মরক্তা য়াওরম্বা লমন খুম্লিংবা কয়ানা লমন শিংনবগী খুদোংচাবা ফংবদগী কুমজা ১৭৪৪ হিয়াঙ্গৈগী ২৭নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎতা লোক অমগী মপান্দা খুজাইনা থাদুনা শান্তিদাস হাৎখি। অদুদগী “লোক অদুবু খুজাইলোক” কৌনখিবদু হৌজিক ফাওবা খঙনদুনা লৈরি।

অনীশুবদা, পামহৈবা নিংথৌ মশাকক্কী পূন্সিগী অরোইবা মতম খৃ: ১৭৫০দগী কংলৈপাক-মণিপুর অসিদা লৈবা য়াদবদগী তানবদা মফম হোংদুনা চৎপদা - অঙোম য়ূম্ফমদগী থাঙ্গদা, থাঙ্গদগী অৱা লৈপাক্তা চৎতুনা চহী অমরোম অৱাগী কোনুং অভাদা (মীরোল) দা লৈখি। মতমদুদা লৈরিঙৈদা টেলেংশিংনা অৱা (মীরোল) গী কোনুং অভাদা লান্তারক্তুনা মৈ থারগা মমাক নুপা অৱাগী নিংথৌ দিবৌটিবু ফাদুনা পুখিবদগী লৈপাক্তুদা লৈবা য়াদবদগী কংলৈপাক মণিপুরদা হল্লক্লবা পামহৈবা নিংথৌনা মচা ইবুংঙো শ্যামশাই অমসুং অতৈ কয়া অমগা লোয়ননা খৃ: ১৭৫১দা লাকপদা, মখোয় ময়াম্বু ওকপা শাশিন্নদুনা ঙাইরম্বা মচা ইবুংঙো তোলেন তোম্বনা লুচিংবা কাঙবুনা মখোয় ময়াম লোইনা হাৎলবা মতুংদা, খৃ: ১৭৫১গী পোইনু থাগী ২৬নি পানবা য়ূমশকৈশ নুমিৎতা পামহৈবা নিংথৌ মশামক্কী মচা ইবুংঙো তোলেন তোম্বগী মখূৎতা নিংথি (মীরোল) তুরেলগী তোনফাং হিদেন্দা পূন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

অহুমশুবদা, কংলৈপাক মণিপুরনা অৱাগী মখূৎতা লান্দা মায়থীবা নংবদগী কুমজা ১৮১৯-১৮২৬ ফাওবা ইরমদমসিদা কাংখোং চাইবা থৌদোক থোকখিবদগী চহী ৭ খুন্তাকপা হায়বা থৌদোক করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা/মরমদা ইজখ্রে।

মরিশুবদা, চীংথংখোম্বা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তগীনা অনীশুবা খ্বাইদগী হেন্না থানা লৈচিন নোংফাই থাংবা কংলৈপাক মণিপুরগী তাঙ্কক হৌরকখি। মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী মনুং চনবা বৈষ্ণব/গৌড় (অনীমক-মীরোলশিং) লাইনীং লাইশোন (মীরোলদা-ধর্ম্ম/রিলিজন) কংলৈপাক মণিপুরসিদা, মীরমদা লানচেল্লুবগী হল্লক্লবা মতুংদা, পুশিল্লকপদগী মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী ঈহৌ খঙকন কনখৎলকখিবদগী ইমালোলদা মখল মখাগী লোলয়ান ময়াম অমা পুশিল্লক্তুনা মুকশন লাইনীং লাইশোন অমদি মুকশন লোল হায়বদি ইমালোলদা মীরমগী লোল কয়া য়াওশিল্লক্তুনা লোলয়ান মশীং য়াম্না হেনগৎলকখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।